থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ১৭শুবা লোক সভাদা অনৌবা আশা

'ইন্দিয়ন পোলিটিক্স'তা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা, ৱেলফ্যের-ষ্টেট অমা শেম্নবা পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ন অমা থিবদি তশেংনমক অৱাবা অমা ওইরনি। লৈরবদি থোক্লক্লগদবনি, লৈতবদুনা থিবা ৱারিবনি। ইন্দিয়ন পোলিটিক্সনা ইন্দিয়াদা 'নুংঙাই য়াইফবা অওনবা ইন্দিয়া অমা পুরক্কনি' হায়বদুদি কনাগী ৱাখলদসু ফাওরম্লোই। মীওইবা খুন্নাই 'হ্যুমেনিটি' হায়বদুগীদমক খনবা ঙমদ্রবা, মন্দির-মসজিৎ, ষণশা চাবা-চাদবগী পোলিটিক্সনা হেন্না লূম্না লৌরবা পোলিটিসিয়নমক্তনি ইন্দিয়াগী।

অদুবু, মোর্নিং সোজ দ দে- অয়ূক্কী শক্তম অদুনা নোংমদুগী মশক তাকই হায়নবগুম হন্দক্কী ১৭শুবা লোক সভা অসিদি মমাঙগী ১৬শুবা লোক সভা অদুগা মওং কয়াদা মান্নদবা শক্তম অমা উবা ফংগদবগী মমি তাই। অতৈদা নত্তে, সভা অসিদা ওপোজিসন'না লৌরক্কদবা থৌদাং অদুদনি। হন্দক্কী ওপোজিসন অসিদি অপূনবগী মমি মচেৎ অমত্তা তাদ্রবা, মচোই মচোই তারবা, মপাঙ্গল য়াওদ্রবা ইমুং অমগী মী কাঙলূপ অমা ওইনা শোয়দনমক্কী উরমগনি মরুওইবা রুল্লিং পার্টি বি জে পি'না। অদুবু, ঐগী ওইবা লন্নাই মীৎয়েংদদি অদুগুম্না উদে। অমুক্তা নত্তনা অনীরক চঙ ফংনা মায়থীরবা, ইন্দিয়াদা লৈরিবা জেনরেল পব্লিক অমদি ইন্দিয়াগী ৱাংমদা চোইনা চাইনা খুন্দাদুনা লৈখ্রবা ইন্দিয়নশিংনা ফাগি তৌফম, করেম্নফম ওইরক্লবা কোংগ্রেস পার্টি, হন্দক্কী লোক সভা অসিদদি হান্নগুম জোকর তাররোই - হায়বসি ঐগী অচেৎপা থাজবনি। ১৭শুবা লোক সভাসিদা ওপোজিসনগী লুচিংবা, কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা 'অধির রঞ্জন চৌধুরি'নি। নোংচুপ বেঙ্গলদগী অনীখক কারকপদুই মরক্তা অমনি। রাহুল গান্ধি'না ওইরক্কনি খন্নরম্বদুগী ওন্ন-তৈনবনি। মীয়াম্না ঙাঙনবা তাদুনা রাহুলনা 'গান্ধি' ফেমিলিগী মী নত্তবা অমবু কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইহনবীরো ... ঐহাকপু কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবসু খনবীরনু' হায়না শিখাঙ খাঙখিবদুদা 'চৌধুরি' দা তাবই ৱানি। মহাক্না ফম কনশিল্লম্লবা, কনামত্তসু লীৎখৎলম্লোই।

অধির রঞ্জন চৌধুরি'গী লোক সভা'দা অনীরকশুবা টর্ম অসিগী অহানবা পর্ফোর্মেন্স, ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংবা ওইনা উৎখিবদু মওং কয়াদা নৈনবা য়াই। নৌনা খল্লবা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা, সভাদুদা মথৌ থৌদাং পাঙবগী অরোন-অথুপ ঙাক্লবা ৱাশক-লৌবই থৌরমদুদা 'জয় শ্রীরাম' অমদি 'অল্লা-হু-অকবর'নচিংবা ধর্ম্মগী খোল্লাউ লাউনরকপদুদা 'চৌধুরি'না থৌওং অদু কন্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। ফজরবা শৈরেং অমা থীরদুনা পূম্নমক্কী পুক্লিং চিংশিনখি ... 'জব মুল্লাহ মসজিদ মে রাম নজর আয়ে, জব পুজারি কো মন্দির মে রহমান নজর আয়ে, দুনিয়া কি সুরট বদল জায়েগি, জব ইন্সান কো ইন্সান মে ইনজান নজর আয়ে...' (অল্লাহগী মনাইনা মসজিদতা রাম উবা ঙল্লবা, পুজারিনসু মন্দিরদা রহমান উবা ঙল্লবা, মতমদুতদা তাইবংপানগী শক্লোন হোংলক্কনি, মীওইবনা মীওইববু মীওইবা ওইনা উবা ঙমগনি)। অদুবু লুরিবদি, অধির রঞ্জনগী ৱাহৈ পরেং অমদি শৈরেং ওইনা ফোঙদোকপা পোলিটিকল থোট কনানা তাবীগদগে হায়বা ৱাফম অসিনি। অটল বিহারি বাজপায় নীংশিংলকই। খঙদে বাজপায়গী থৱায়নবু চৌধুরিদা তোংশিন্দুনা থৌইনশিন পীবজাৎলা?

ফিলোজোফিকল ওইবা শৈরেংনা ৱাহৌ ওইরগা সভাদুদা শৈহৌরুবা অধির রঞ্জন, মনাৎ নত্ত' শঙ্গোম-চাগে থৌশিল্লু'গুম থোকখরে। পার্লিয়ামেন্ট'তা প্রসিদেন্টকী ৱারোলদা 'মোসন ওফ থেঙ্কস' হৌদোকখিবা প্রটাপ সিংহ সারঙ্গীগী ৱারোলদা পনখিবা শ্বামি বিবেকানন্দগী অশেংবা মিং 'নরেন্দ্রনাথ' অদুগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মিংসিগা পান্দম্নলা ঙাঙখিবদুই পাউখুম ওইনা অধির রঞ্জন চৌধুরিনা হায়রুরে ... 'চাংদম্নীংই হায়দুনা গঙ্গাগা গন্দা নালি (অমোৎপা ঈথৈ) অমগা চাংদম্নবা য়াবরা'?

লৈঙাক পায়বা কাঙবুদু মৈ হৌনা শাউহনখ্রে। লৈবাক্কী লৈঙাক মপুবু অসুম্না করেম কথায়ননা, থওই-উশিত্তবা য়াবরা? ইস্যু অমা ওইরক্লে। নেসনল ন্যুজ চেনেলশিংদা পব্লিক দিবেট তৌনরক্লে - ৱাঙাঙ অসি চুম্বরা? চহী নিফুমঙাগী মমাঙ ইন্দিরা গান্ধি'না মঙাল নাইনা, তোমথিন - লীদর ওইরিঙৈ, মতমদুগী কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট 'দেব কান্ত বরুআ' না শেমখিবা খোল্লাউ ... 'ইন্দিয়া হায়বসি ইন্দিরানি, ইন্দিরা হয়বসি ইন্দিয়া'নি হায়বদুগা পান্দম্ননা 'নরেন্দ্রনাথকা নরেন্দ্রগা চাংদম্নরকপনি' খল্লুদুনা ফোঙদোক্লুবনি। ৱাপা চাদবা প্রমান (পান্থে) অমা ওইরম্লে খঙজরক্তুনা 'সভা'দা লাল্লে হায়জখি। ৱাহায় অদু হন্দোকখি।

১৭শুবা লোক সভা অসিগীদমক চাউথোকচনীংঙাই অমদি হাওস অসিগী অনৌবা স্পিকর অসিনি। রাজস্থানগী 'কোটা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সি'দগী অনীরকশুবা টর্ম অমগীদমকসু মীহুৎ ওইনা কারক্লবা 'ওম বিরলা'বু জুন ১৯দা য়েৎনবা অমদি লম্বা অমত্তা য়াওদনা ১৭শুবা লোক সভাগী স্পিকর খনখি। মতুং, হুমনিশুবা নুমিৎ, নরেন্দ্র মোদিনা 'মুসলিম ৱিমেন (প্রোটেক্সন ওফ রাইটস ওন মেরিজ) বিল, ২০১৯ ত্রিপল তলাক বিল পুথোকখি। লো মিনিষ্টরনা বিল অসি পুথোক্লকপদা এম পিশিংনা হান্নগুম লাউবা খোংবা তৌরকপদা হায়খি - 'ৱা ঙাঙলিঙৈদা অপনবা পীগনু, কাতু-কারন চৎকনু, অমগা অমগা ৱারী শানীংলবদি মপান থোকখো... লমচৎ নাইদবা মওংদু নহানমখৈ য়ারম্লবসু হৌজিক্তি য়াররোই'...। শশি থরুর অমদি অধির রঞ্জন চৌধুরিদা অপান্ননা হায়খি - 'ৱারী শানগদবা লৈরবদি ফমফমদগী হৌগৎপীরো, গেল্লেরিদা কাখৎলগা শানবীরুচো'। অসিগুম্বা মীৎফম, ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট হাওস'তা অমুক্তসু উখিদ্রিবা অমনি।

লৌশিং পুক্কে

# নুমীৎ খুদিংগী মেদিটেসন তৌবা মতমদা ব্লদ প্রেসর হন্থহনবগা লোয়ননা হার্টকী লায়না নাহন্দে

চাং নাইনা মেদিটেসন তৌবা মীওইশিংগী নুংঙাইবা পাউ অমা ওইনা রিছার্চরশিংনা হায়খ্রে মদুদি নুমীৎ খুদিংগী মেদিটেসন তৌবা মতমদা ব্লদ প্রেসর হন্থহনবগা লোয়ননা হার্টকী লায়না নাহন্দে অমসুং হকচাংগী সেলশিং শিহন্দে। সেল শিহন্দ্রবনিনা পূন্সিসু শাংদোকহল্লি।



দি এন এ (দিওক্সিরাইবোজ ন্যুক্লিয়র এসিদ) গী থাক্তা মেদিটেসননা কদায় ফাওবা কান্নবা ফংহনবগে হায়বগী মতাংদা রিছার্চরশিংনা কূপ্না থিজিল্লম্মী। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী আইওৱাদা লৈবা মহারিশি য়ুনিভর্সিটি ওফ মেনেজমেন্ট (এম য়ু এম) গী রোবার্ট স্নিদরনা হায়খি, মেদিটেসন তৌবনা জিনদা অহোংবা থোকহন্দুনা ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহন্দে অমসুং থম্মোয়গী লায়না চঙহন্দে।

রিছার্চরশিংনা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা নুপা অমসুং নুপী ৪৮ গী মওং মতৌ কূপ্না য়েংশিনখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু পূন্সি মহিং শেমদোকহনবগা লোয়ননা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা মেদিটেসন তৌহল্লম্মী। চয়োল ১৬ কী মতুংদা অমুক হন্না য়েংবদা মীওইশিং অদুগী ব্লদ প্রেসর হন্থরকপগা লোয়ননা হার্টকী ফীভম ফগৎলকপা থেংনখি।

ইনষ্টিট্যুট ফোর নেচরেল মেদিসিন এন্দ প্রিভেন্সনগী দিরেক্টর স্নিদরনা হায়খি, ব্লদ প্রেসর হন্থহনবগা লোয়ননা থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোক্তুনা পূন্সি শাংদোকহন্নবগী মতাংদা মেদিটেসন তৌবা কান্নগনি হায়বা ৱাফম খঙলবনিনা মীপুম খুদিংমক নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা মেদিটেসন তৌগদবনি। থম্মোয়গী লায়না নাবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা মরম্না অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিনা মীওইবা খুন্নাইদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়না মোলিক্যুলর বাইওলোজিগী প্রোফেসার জোন ফেগাননা ফোঙদোকখি। টেলোমেরেজ কৌবা এঞ্জাইম অমনা সেলগী মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা পূন্সি শাংদোকহল্লি হায়বা ৱাফম অসি কুমজা ১৯৮৪ দা অহানবাওইনা খঙনরকখি। এঞ্জাইম অসিনা সেলগী অকোয়বদা কুয়োম অমা য়োমশিন্দুনা থম্বদগী ব্লদ প্রেসর হন্থরক্তুনা থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বনি হায়রি।

মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নরকপদগী হোবে-হোবে অমসু অমসু নংনবা হোৎনবদা ৱাখল চরাংনরকই। ৱাখলনবু চরাংনরবদি হকচাংগী সেলশিং শিথরক্তুনা লায়না কয়া চঙলক্লবগী মরম ওইহল্লি। চাউবা পীকপগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা মীপুম খুদিংমক মথৌ চিন্নবা ঙাক্তনি। অদুবু নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক মতম কাইথোক্তুনা মেদিটেসন তৌরবদি ৱাখল চরাংনবা ফহল্লি। ৱাখল চরাংনবা, লাংতক্লবা অমসুং পূক্লিং ৱাবা কোকহন্নবগীদমক মেদিটেসন তৌবা মতমদা হকচাং মনুংগী সেলশিং শিহন্দে। ফ্রী রেদিকেলনা থোকহল্লকপা অমাঙ-অতা কয়াদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

হোৱার্দ য়ুনিভর্সিটি কোলেজ ওফ মেদিসিনগী ওটেলিও রেন্দোলনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক পূন্সি মহিং শেমদোক্তুনা ৱাখলগী চরাংনবা কোকহনগদবনি। চাকচা-য়ুথক অমসুং পূন্সি মহিং শেমদোকপা মতমদা থম্মোয়গী লায়না, দাইবেটিস অমদি কেন্সরনচিংবা পূন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না খুদিংমক ঙাকথোকপা ঙম্মী।

চাউখৎত্রে হায়রিবা থায়না মমাঙঙৈদা মীপুম খুদিংমক হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌরম্বা মরম্না পূন্সি শাংনরম্মী। ঙসিগী চাউখৎলে হায়রিবা মতম অসিদদি মীওই অয়াম্বা ফমজিন্দুনতা লৈরবনিনা পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া নারকপদগী পূন্সি তেলহল্লে। মথৌ চিন্নরকপদগী মতম ঙাইহাক কাইথোক্তুনা হকচাং শাজেল তৌবদি লায়রদনা তূম্বা ফাওবা মপুং ফানা তূম্বা ফংনরক্ত্রে।

চাবা-থকপগী মতাংদা য়েংলুরবসু অদুমঙায়রে। মনা-মশিং অমদি উহৈ-ৱাহৈ চাবা ফৈ হায়দুনসু তীলহাৎ-হীদাক অমদি হার য়াওবা চীঞ্জাকশিং নুমীৎ খুদিংগী চারবনিনা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, দাইবেটিস লৈবা অমসুং কেন্সর নাবা মীগী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা মশানা তাবনি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিল্লকপা অমদি অঈং-অশা খল কায়থরকপনসু মীওইবগী হকশেলদা চাউনা শীংনরক্লি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু ঐখোয়না অঙম্বা চাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎচবা মতমদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংই। নোংমগী ঙাইহাক মতম কাইথোক্লগা মেদিটেসন তৌবা হায়বসিসু পংলু-লুবা থবক্তি ওইরমগদবা মান্দে।

## খুদক্তগী দ্যুটি তৌননবা খঙহনখ্রে : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): হৌখিবা জুন ৭ তগী হৌদুনা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা লৈরিবা ভি দি এফ পর্সনেল ১০০৫০ গী সার্ভিস এক্সটেন্সন পীবীদবনা মরম ওইরগা খুৎলায় পায়বা ঙম্লোই হায়দুনা আমর্দ দাউন অমসুং পেন দাউন ষ্ট্রাইক চঙশিল্লকপা অদু জুন ২৪ গী নুমীদাংদা সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌবগী ওর্দর থোক্লকপা মরম্না খুদক্তগী ভি দি এফ পর্সনেলশিং দ্যুটি তৌবা হৌননবা সেন্ট্রেল কম্মিটিনা দিষ্ট্রিক্টকী ১৬ কী কন্সর্ন কম্মিটিশিংদা খঙহনখ্রে হায়না ওল মণিপুর ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি কম স্পোক্সপার্সন এম দি রিয়াজ খাননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মমাঙ চহীদা ভি দি এফকী সার্ভিস এটেন্সন ওর্দর অসি চহী অমা খক্কী পীরম্বা অদু হন্দক চহী ২ গী ওর্দর পীরকপা অসিদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। হৌজিক পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা অপীকপা থবক মচা তৌবা এমপ্লোয়ীশিংদা মীনুংশি থম্বীদুনা ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী চহী ২ গী সার্ভিস এক্সটেন্সন তৌবীরকপনি হায়না লৌই। ভি দি এফশিংনা ফংলিবা থাগী ওনরেরিয়ম মতমগা চুনদ্রিবা অসিদসু অথুবদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীরক্কনি হায়বগী চাউনা থাজবা থমজরি। ষ্ট্রাইক মনুংদা ভি দি এফ অমত্তা পোষ্ট ষ্টেসন থাদোক্তুনা য়ুম-য়ুমদা হনখিবা লৈতে। মেচ কম্মান্দরশিং অমদি ওফিসরশিংনা ময়ুম-ময়ুমদা চৎলো তানবদগী য়ুমদা হনখিবা ভি দি এফশিংবু কম্মান্দরশিংনা চান্স লৌরগা এবসেন্ট অমসুং রসন মনি লেম্নবা হোৎনবা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। ষ্ট্রাইক মনুংদা ভি দি এফ অমত্তা এবসেন্ট ওইখিবা লৈতে। থাগী ওনরেরিয়মদা শেল ককপীদনবা আপিল তৌজরি। খুৎলায় থাদোক্তুনা দ্যুটি তৌবগী শেল কক্কনি হায়বা তারবদি ভি দি এফ ১০০৫০ দগী চপ মান্ননা ককপীয়ু। কক্ত্রগদি অমত্তা ককপীদনবা মরী লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা হায়জরি। মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা লৈরিবা ভি দি এফ ১০০৫০ না দ্যুটি তৌবা মতমদা য়াম্না দিসিপ্লিন লৈনা দ্যুটি তৌদুনা মীয়মাগী লন-থুম ঙাকসি। ঐখোয়না লৌরিবা থৌদাং অসি লোগী মখাদা লৈরিবনি। লো খোঙ্গাওনদুনা মীয়ামগী কোওপরেসন মাঙহল্লকপা তারগদি অদুগুম্বা ভি দি এফ পর্সনেলশিংদুগী পুন্সিদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী থৌদাং সেন্ট্রেল কম্মিটিনা লৌজরোই হায়না ভি দি এফ পর্সনেলশিংগী পূক্লিংসু চিংশিল্লি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বরাকতা উ চারা থাখ্রে, হান্না থাখিবশিংসু য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): ৱর্ল্দ ইনভাইরনমেন্ট দে ২০১৯গা মরী লৈননা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মীৎয়েং মখাদা রিদিস্কোভর মণিপুর এ বি সি, জক্রাধর পুলিস ষ্টেসন অমসুং জক্রাধর গ্রাম পঞ্চায়টনা পূন্না শিন্দুনা বরাকতা জুন ২১দগী ২৩ ফাওবা উ চারা থাবা অমসুং হান্না থাখিবা উ চারাশিং য়েংশিনবগী থৌরম মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে হায়না এফ্যের্স ওফ বিনাইন সেন্টর (এ বি সি)গী সেক্রেটরি সি ঐচ জোয়কুমারনা প্রেসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, জক্রাধর পুলিস ষ্টেসনগী ও সি শাম সিংহনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরমশিং অদুগী শরুক অমা ওইনা উ চারা থাবা অমদি য়েংশিন্দুনা হিংহনবা, নোংগী ঈশিং য়োকপা অমদি মোটোর ভেহিকলশিং শিজিন্নবগী চাং হন্থহন্দুনা কার্বোন দাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং হন্থহনবনচিংবগী মতাংদা পাক শন্না এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিংসু পাঙথোকখি।

জুন ২২দা নোংমগী ওইবা ৱাটর কনজর্বেসন প্রোগ্রাম অমা জাক্রাধরদা লৈবা রজিব গান্ধী মেমোরিএল হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জি পি প্রধান সাধানা দাস, জাক্রাধরগী উপ প্রধান খোলশৈমকিম মিজো অমসুং দিস্কোভর মণিপুরগী সি ঐচ জোয়কুমারনচিংবনা প্রিসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। জুন ৮দা ন্যু দিল্লিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাকশিদা লৈরিবা সর্পন্সশিংদা পীবা পাউজেলগী মতুং ইন্না থৌরম অদু পাঙথোকখি।

থৌরমশিং অসিগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংগা মরী লৈননা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি। তুরেল মপান্দা দামশিং শাদুনা লৌবুক্তা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবা, পুখ্রিশিং তৌবা অমদি শেংদোকপা, উ চারা থাবা, নোংগী ঈশিং য়োক্তুনা লৌবুক্তা ঈশিং মরাং কায়না ফংহনবা, খুঙ্গংশিংদা মশাগী ঈশিং মশানা য়োকচবা অসিনচিংবশিংগী মরমদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

## 'আর এম এস এ অমসুং এস এস এ ওজাশিংগী সেলরি পীথোকপীয়ু'

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্না কুমজা ২০১১, ২০১৪ অমসুং ২০১৬ দা খনখিবা আর এম এস এগী গ্রেজুএট ওজাশিংগী থা ৬কী অমসুং এস এস এ (অপ্পর প্রাইমরি টিচর)গীনা থা ৫গী সেলরি পীবিদনা লৈরি। বেকলোগ সেলরি অসি সম্মর ভেকেসন লোইদ্রিফাওবগী মনুংদা পীথোকপীয়ু হায়না জোইন্ট এস এস এ এন্দ আর এম এস এ টিচর্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেল কে ঐচ হিম্মৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, হায়রিবা ওজাশিং অসি অয়াম্বনা মণিপুরগী অরাপ্পা, মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা পোষ্টিং তাবা ঙাক্তনি। ওজাশিং অসিগী চৎথোক চৎশিনগী শেল, লৈফম কাগী রেন্ট ফী অমদি ইমুং মনুংগী মেন্টেনেন্সতা য়াম্না চাউনা অৱাবা মায়োক্লরে। অসিগুম্বা অৱাবা কয়া অসি মায়োক্লবনা মরম ওইরগা স্কুল ফাওবা চৎপা ঙম্লক্তবগী ফিভম লৈরকপনা মরম ওইরগা দ্যুটি তৌবদা য়াম্না চাউনা অৱাবা মায়োক্লরে। অসিদসু নত্তনা ওজাশিং অসিগী হিংবগী ৱাহংদা য়াম্না চাউনা শিংনবা অমা ওইরে। ওজাশিং অসিগী অৱাবা অসিবু উবিদুনা মতম কুইনা পীবিদনা লৈরক্লিবা সেলরিশিং অসি সম্মর ভেকেসন লোইদ্রিফাওবগী মনুংদা মরী লৈনব ওথোরিটিনা পীথোকপীয়ু হায়না জোইন্ট এস এস এ এন্দ আর এম এস এ টিচর্স এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থোকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## ভুবোননা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন্দা একাউন্টেন্ট ওইরম্বা এন ভুবোননা থা অসিগী ২৩ দা খঙহৌদনা লৈখিদবদা দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিসরশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা থা অসিগী ২৪ দা পাঙথোকখ্রে হায়না দিরেক্টোরেট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টর ইবোয়াইমানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। লৈখিদ্রবগী মফমদা মিনট অমা তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়নসু ঙসি দিরেক্টোরেট অসিগী জোইন্ট দিরেক্টরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

Admission Open
BCA
(BACHELOR OF COMPUTER APPLICATION)
Limited Seats 26 Only
First come, First served
JCRE
GLOBAL COLLEGE
Affiliated to Manipur University

Why JGC?
- Education that combines domain knowledge with life skills for overall growth and development.
- Highly qualified faculty with rich industry experience.
- One-of-a-kind academic model that focuses on employability skills of the students.
- Special focus on practical classes, industrial visits, personality development and employability.
- Industry experts as guest/visiting faculty.

Eligibility
Applicant must have completed Higher Secondary (10+2) Examination with minimum 45% marks in total.

Documents Required:
- Class X and XII original marksheets and related certificates.
- 5 photocopies of self attested marksheets and related certificates.
- 1 Identity proof preferably aadhaar card
- 5 passport size photos

JCRE Global College, Babupara (Opp. 1st MR Ground), Imphal West - 795001
Mobile: # 7628018671 / 9678165475 / 8414934469
(Please call during 10:00 am - 4:00 pm, Mon - Sat)
e-mail: jgc@jcre.ac.in
HL-B/5383/24,26

RaDiant Group
Celebrating
1 year completion
RaDiant e-ride
AUTHORISED DEALER
OFFER

| Models | Old Price | New Price |
|---|---|---|
| Arjun Rickshaw | ₹151064 | ₹137940 |
| Krishna Rickshaw | ₹176326 | ₹150820 |
| E-Loader | ₹164454 | ₹141380 |
| Futura Miracles | ₹75240 | ₹67450 |
| Race 60 | ₹78310 | ₹70450 |



RADIANT E-RIDE
GHARI AWANG LEIKAI, AIRPORT ROAD
✆ 9366288858
THOUBAL ATHOKPAM
✆ 6009025091
SANGAIPROU, NINGTHEMKOL
✆ 7085040962
MOIRANG PATLOU LEIKAI NEAR FISH MARKET WARD NO. 1, MOIRANG
✆ 8787743072
HL-B/5441/4june to 4 july

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।০৬।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ২৪নি পানবা।

মেষ : লন চাওখৎপা, মীয়াম্না য়াবা, লৈঙাক্কী থবক্তা অফবা মীংচৎ ফংবা অমদি নচা-ননাইগী নুংঙাইবা লৈগনি। ইমুং-মনুং ৱা তানবা কান্নগনি। চাদিংদি লেপলোই।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি, নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ : শেল চংগনি, অরং-অরাক ফংগনি অমদি থৌনা ফুদোকপনা পামজবা মফম কঞ্জবা ঙম্বা লৈ। ঙাঙ-শকপদা মীনা তানীংগনি, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিস মিস।

মিথুন : থবক মফমদা লাইবক ফগনি, অফবা ৱাখল্লোন চেনগনি অমদি লল্লোন ইতিক কান্নগনি। অদুবু কিবা, চিংনবা অমদি পংবদগী য়েক্লবা চাওখৎপা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

কর্কট : নীংবা মপা চারোই অদুনা খনবদুমক পাংগদবনি খনগনু। মরুপতি ফংগনি অমদি মখোয়গা লোয়ননা পায়খৎপা থবকশিং শুংশোই শোইদনা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাঙবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ : মরুপ-মপাং লোইনবা অমদি অশাওবনা চাদিং হেনগনি, লাইবক ফবা ৱাৎলি অদুনা খন্থরগা মাঙলোমদা চংশিল্লু। লনসু ফংগনি-নিংহন্নদনা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - মতাং ইচা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা : নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা নুমিৎনি। শেন্দোং তানবগী থবক্তসু চাউনা কান্নবা ফংগনি অমদি অফবা মীংচৎ ফংগনি। খাংবা কন্দবনা নঙগী মী মাঙবা য়াই।
লৈশা পাখংশিংগী - থাগৎপিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা : হন্থবা লোইনদ্রবা, মীৱা লৌদ্রবা অমদি অকিবা নংগদবদগী কোকচগনি। থবক্কী নুংঙাইবা পাউ তাগনি, অনীংবদুমক পাংবা য়াগনি, শাগৈনা চাল্লি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : ইচং থৌরগা য়েক্লবা হেনগৎকনি অমদি লৈঙাক্কী লমদা মাই পাকপা ৱাগনি। মীয়াম্নসু থাজবা ৱাৎপা লৈ। নোল্লুক্লা চৎপা অমদি অনম তানদবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - তুংগী খল্লগা ৱা ঙাঙদবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

ধনু : থবক্কী লম্দদি মাই চাউনা পাক্কনি, অরং-অরাক অমদি ফমথোল ফংবগুম ইকায়খুম্নবা ফংগনি। অদুবু শোকপনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু, মীগা মুক্ররুনু।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর : ঙসিসু নীংবা থুংগনি, অচুম্বনা মাই পাক্কনি অমদি লৌশিংনা ওইজ-ওইথক তানবা ঙমজগনি। য়েৎনবনা মাঙজবা, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা য়ামনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্বা : মরুপ-মপাংগা ফরমদবা মরী ফগৎপা, নথক থোংবনা চানবীরকপা অমদি মীয়ামগী থবক পাংবদা মাই পাকচবা লৈগনি। অদুবু কাইনবগী নুংঙাইতবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : মীনা ইনশিনবা লৌদনা ফৈ খনবা থবক্তু পাংনবা হোৎনৌ। লল্লোন ইতিক্তা চাউনা কান্নবা ফংলনি অমদি মীয়াম লোইনবনা থোইনা নুংঙাইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।